**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- নুপীশিং অমদি নহাশিংবু অহেনবা খুদোংচাবা পীদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনরি।

সরকারনা পীবা খুদোংচাবশিং ফংবা য়ারবা মীয়ামদা ফংহন্নবা রাজ্য সরকারনা চপ চানা লেপ্লি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লুপা কোতি লিশিং ১২,২০০ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি খরনা শঙ্গাগনি।

অমসুং

৩) চাইনাদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা শ্বোর হোনবা নুংঙাইতবগী লায়চৎ অমা মায়োকরিবা অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না কুপা য়েংশিল্লি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- সরকারনা পীবা খুদোংচাবশিং ফংবা য়ারবা মীয়ামদা ফংহন্নবা রাজ্য সরকারনা চপ চানা লেপ্লি।

ৱাফম অসি ঙরাং থৌবাল জিলাদা মীয়ামগী নুমিৎ মায় পাকা পাঙথোকখিবগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মীয়ামগী নুমিৎকী থৌরম রাজ্য অসিগী অতোপ্পা জিলাশিংদসু পাঙথোকবা শেম শারি। ঙরাং থৌবাল জিলাদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরমদা য়াম্লবা মীওই কয়া

শরুক য়াখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা সরকারনা পীবা স্কিমশিং ফংবা য়ারবা মীওই কয়াদা খুদোংচাবশিং পীখি। মীয়ামগী নুমিৎ মায় পাকা পাঙথোকখিবগীদমক মুখ্য মন্ত্রিনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী কর্ম্মচারিশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, নুপীশিং অমদি নহাশিংবু অহেনবা খুদোংচাবা পীদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিগী মরুওইবা পান্দম অমনি। পান্দম অসিবু থবক্তা ওন্থোকবা রাজ্য সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা ফোংদোরক্লি। মদুদা য়াওবা ভিদিও অমগী মতুংইন্না রাজ্য সরকারগী মখাদা পায়খৎখিবা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ত্রেনিং ফংখ্রবা নুপী কয়া খাঙবোক লাইরেম্বী ফুড প্রোসেসিং কৌবা য়ুনিতি অমা শেমদুনা চান থকবা পোৎলমশিং মায় পাকা পুথোক্লি। মসিনা মখোয়গী মরুওইবা শেন্থোক লম্বী ওইরে হায়না সরকারগী থৌরাংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- রাজ্য অসিগী চীং অমদি তমগী জিলাশিংদা তোঙানবা তোঙানবা চ্যেক পোষ্ট ১০৬ হাংদুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি ১৮৩ সেক্যুরিতিগী ফোর্সকী চেকশিন থৌরাং মরক্তা ইম্ফাল য়ৌহল্লকখ্রে হায়রি। অদুমকপু কাংপোকপী জিলাদা ইরাং থোকখ্রবা মতুং নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদদি মাল পুবা গাড়ি চংলকপা কা হেন্না হন্থখ্রে। ঙরাং লম্বী অসিদা মাল পুবা গাড়ি অমখক ইম্ফাল য়ৌরকখি হায়রি।

পনবা য়াই, কাংপোকপী জিলাগী সাইবোল হায়রিবা মফম অসিদা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থল্লিবা অসি লৌথোক্নদবনি হায়না কমিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতি (কোতু)না কাংপোকপী জিলাদা সট দাউন লাউথোকপদা নত্তনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিনখিবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লুপা কোতি লিশিং ১২,২০০ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি খরনা শঙ্গাগনি। প্রধান মন্ত্রিনা সহিবাবর অমসুং  নিউ অশোকনাগর মরক্তা চেনগদবা কিলোমিতর ১৩ শাংবা দিল্লি-গাজিয়াবাদ-মিরট নমো ভারত কোরিদোর ঙসি শঙ্গারগনি। শ্রী মোদিনা সহিবাবর পি.আর.টি.এস ষ্টেসনদগী নিউ অশোকনাগর আর.আর.টি.এস ষ্টেসন ফাওবা নমো ভারত ত্রেন তোংদুনা চৎকনি। লুপা কোতি লিশিং ১,২০০ রোম চংনা শাখিবা জনকপুরি অমসুং কৃষ্ণ পার্ককী দিল্লি মেট্রো ফেজ ফোরগী কিলোমিতর ৩ লোম শাংবা রেলৱে লাইন অসিসু ঙসি শঙ্গারগনি। মসিনা নোংচুপ থংবা দিল্লিগী কৃষ্ণ পার্ক, বিকাশপুলি, জনকপুরি অমসুং অতৈ মফম খরদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ৬,২৩০ রোম চংগদবা দিল্লি মেট্রো ফেজ ফোরগী রিথালা কুন্দলি সেক্সনগী কিলোমিতর ২৬ মখায়রোম শাংবা লম্বী শেম বা ঙসি যাত্রা হুল্লগনি। কোরিদোর অসিনা দিল্লিগী রিথালাদগী হরিয়ানগী কুন্দি ফাওবা শমহল্লগনি। সেন্ট্রেল আয়ুরবেদ রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী নিউ ষ্টেট ওফ আর্ট বিল্ডিং শানবা যাত্রাসু রোহিনিদা হুল্লগনি। কেম্পস অসিনা হকশেলগী লমদা কান্নবা ফংহল্লগনি।

মীফম ঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না চাইনাদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা শ্বোর হোনবা নুংঙাইতবগী লায়না অমা মায়োকরিবা অসিগী মতাংদা জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপকী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর জেনেরেলনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবনি। মসিদা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী অখণ্ড অহৈশিং, দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেল, ইন্তিগ্রেতেদ দিজিজ সার্ভিলেন্স প্রোগ্রাম, নেসনেল সেন্তর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল, ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স, ইমরজেন্সি মেদিকেল রিলিফ দিভিজন অমসুং হোস্পিতালশিংগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

চাইনাদা থেংনরিবা লাইওং অসিগী মতাংদা কুপা খন্নরবা তুংদা মফম অদুদা থেংনরিবা লাইচৎ অসি মতম মতমগী ওইনা থেংনবা লাইচৎকী মনুং চন্না হৌজিক লৈরিবা ফ্লু সিজন অসি য়েংলগদি চাইনাদা থোক্লিবা লাইচৎ অসি

অনৌবা নত্তে। মফম অদুগী ফিভম কুপা য়েংশিল্লি। মদুগী মনুং চন্না ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনদা মতম মতমগী ওইবা অনৌবা ঈ-পাউশিং খঙহল্লকবসু হায়খ্রে। তোঙান তোঙানবা হোস্পিতালগী ডোক্তরশিংনা লৈবাক অসিদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা মতম মতমগী ওইবা অনা লাইওংশিং নত্তনা শ্বোর হোনবা নুংঙাইতবগী লাইচৎ অসি থেংনদ্রি।

ম্যান্মার ঃ ম্যান্মারগী ইন্দিপেন্দেন্স ডেগা মরী লৈননা বন্দি লিশিং ৬ লোম থাদোক্কদৌরি। ম্যান্মারগী মিলিটরি সরকারনা হায়- লৈবাক অদুগী নীংতম্বা নুমিৎকা মরী লৈননা মীরৈবাক মচা ১৮০ য়াওনা বন্দি লিশিং ৬ অদু থাদোক্কদবনি। মসিগী মথক্তা বন্দি ওইনা লৈরিবা অতৈ মীওইশিংগী ফাদোক্কী মতমসু হন্থরগনি হায়রি। অদুমওইনমক, মিলিটরি সরকার অসিনা বন্দিশিং অদু করি মরমগীদমক ফাখিবনো অমদি থাদোক্কদৌরিবা মীরৈবাক মচাশিং অদু করম্বা লৈবাক্কী বন্দিশিংনো হায়বগী অকুপ্পা ৱারোল ফোংদোক্ত্রি। মিলিটরিনা হায়- মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা মখোয়বু ঙাকপীগদৌরিবনি। মিলিটরি সরকারনা বন্দি ওইনা থল্লিবশিংগী মনুংদা ম্যান্মারগী লুচিংবী অমসুং নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবী ওং সান সু চি য়াওরি।

এদভাইজর ঃ আমেরিকাগী নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর জেক সুল্লিভেন নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি নিউ দিল্লিদা থুংলরগনি। মহাকা ভারতকী নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবালগা লৈবাক অনিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা ৱারী শান্নগনি। লুচিংবা অনিনা স্পেচ, দিফেন্স অমসুং ষ্ট্রেটেজিক টেকোলোজি কোওপরেসনগী মতাংদা মরুওইনা খন্নরবা য়াই। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা শ্রী সুল্লিভেন্না মপাল থৌরম ডাঃ এস. জয়শঙ্কর অমসুং অতৈ লুচিংবা কয়াসু উন্নরবা য়াই।

দিল্লিগী ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিদা শ্রী সুল্লিভেন্না চত্তুনা ভারতকী নহা ওইরিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিং উন্নদুনা ভারত অমসুং আমেরিকানা পুন্না লৌখৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং অমসুং লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱাফমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন অসি কাংপোকপীগী ইরাং, লম্বী থিংলি, কংগ্রেসনা বি.জে.পিবু মরাল শিরি, অহেনবা ফোর্স দিপ্লোই তৌখ্রে, সেক্যুরিতিগী মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসি ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদনা কুকি নার্কো তেরোরিষ্ট থেংনবনা ষ্টেট অসিবু কন্নবা লম্বী ওইগনি হায়বা হেদলাইন অসি অহানবা হেদলাইন পীরি।

পোকফমগী অহানবা হেদলাইন অসি অনৌবা গভর্নরনা সেক্যুরিতি মিতিং পাঙথোকখ্রে, কাংপোকপীগী ইরাং লাকশিন্নবা অহেনবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্স থাজিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ফোংলি। পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইনদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর শিবরাজদা আই.দি.পিশিংগী য়ুম লিশিং ১৫ শানবা তকশিনখ্রে, য়ারক্কনি থাজৈ হায়না মিনিষ্টর খেমাচন্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি গভর্নরনা চীফ মিনিষ্টর য়াওহন্দনা লো এন্দ ওর্দরগী রিভিউ মিতিং পাঙথোকখ্রে, চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর নাথৈরব্রা হংনরক্লে হায়না ফোংলি।

গভর্নরগী পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি অমসং মোর্নিং বেলদা অনিসুবা হেদলাইন পীরি।

মণিপুর নিউজদনা পাউ অসি বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে। হেদলাইন অসিদা হায়রিবসি কাংপোকপীগী হিংশা থৌদোক মতুং গভর্নরনা সেক্যুরিতি সিচুয়েসন রিভিউ তৌখ্রে, মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেনবদা অহানবা মীৎয়েং থমবা দি.জি.পিদা খঙহনখ্রে, অহেনবা ফোর্স থাজিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

কাংপোকপীগী এস.পি. শোকহনখিবা থৌদোক্কুগী কংগ্রেসনা অকনবা মরাল শিরক্লে, বি.জে.পি অসি মণিপুর মৈ চাকহনবা মৈখেৎ মরু অমনি হায়না মালিক আর্জ্ন খরগেনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা অনিসুবা

হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদসু অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

নেসনেল হাইৱে টুদা চথরিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ হন্দোক্লবদি উখ্রুল লম্বীদা কাউন্টর ব্লোকেদ তৌনবা শেম শাখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদলাইননি।

------